# ২০১৭গী য়াওশঙ কুম্মৈদা গভর্ণর ডা.নাজমা হেপতুল্লা শরুক য়াখ্রে







# মোরেগী লাংখোঙ চীং অমদি লৈবী খুলদা ভেটেরিনরি ষ্টাফশিংনা হিদাক কাপথোকখ্রে

এস এন এস

মোরে, মার্চ ১৩ ঃ মোরে ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টকী কেজুয়েল ষ্টাফ ওইনা লৈরিবা মীওইশিংনা মোরে পুলিস ষ্টেসনদগী কিলোমিটর ১৮ রোম চৎলবা লৈবা লাংখোঙ চীং অমদি লৈবী এরিয়াদা লৈরিবা শা–ষণ অমদি য়ুমশা কয়া অমা হিদাক কাপথোকখ্রে হায়রি।



ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টকী কেজুয়েল ষ্টাফশিং অদুনা য়ুমদা লোইরিবা শা–ষণগী মথক্তা ওক, হুই অমদি হৌদোংনচিংবা কয়া অমা হিদাক কাংপথোকপগী থবক চংখি।

মসিগী মথক্তা মতৌ করম্না লূনান্ন য়ুমশাশিং অসি লোইগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা এৱার্নেস অমসু পীখি। করিগুম্বা য়ুমশাশিং অসি মওং চুম্না লোইদুনা লায়না–তিন্না চঙহন্দনা য়োকপা ঙম্লগদি মদুনা অচৌবা ইমুংগী ইনকম কয়া অমা লাকহনবা ঙমগনি হায়না তাকখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা কেজুয়েল ষ্টাফশিং অদুনা ভেটেরিনরিগী ওইবা পাউজেল পুদুনা লাকপা অদুদা খুনজাশিংনা হরাউ তয়াম্না ওকখি। পুন্না ওক ৩০ রোম অমদি অতৈ য়ুমশা কয়া মতমগা চুনবা মওংদা হিদাকশিং কাপথোকখি।

মপুংওইনা চীঙগী লমদা য়ুমশাশিং লোইবগা লোয়ননা হায়রিবা শা–ষণশিং অদুদগী শন্দারকপা লায়নাশিং অদুনা মীওইবদা শন্দোরকপা য়াবা লায়নশিংগী মতাং দসু য়াম্না কুপ্পা টিম অদুনা খঙহন্নবা হোৎনখি।

ভেটেরিনরি কেজুয়েল ষ্টাফশিংনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুবু লমদমদুগী মীয়াম অমদি খুনবুশিংনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

*৪৫ এআরগী মায়কৈদগী তোঙান–তোঙানবা লৈকাইগী ক্লবশিংদা স্পোর্টসকী পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা শান্নবগী লমদা অনৌবা মীরোল পুথোক্তুনা হেনবা ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগী পান্দমদা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদা খুদোল তমখিবা (ফোটো ঃএআর)*







লমায় ১ গী মখা

## কংগ্রেসকী এমএলএশিং লেঙদনা লৈরি, গভর্ণমেন্ট শোয়দনা...

পাউগী মীফম অদুদা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপনা হায় হৌজিক কংগ্রেসকী ওইনা এম এল এ ২৮ চপ চানা লৈরি।

ঙরাং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ও ইবোবিবু পার্টিগী লেজিসলেচর লিদর ওইনা খনখ্রে। লোয়ননা ঙরাং নুমিদাং রাজভবন্দা চত্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌখ্রে। এন পি পিগী এম এল এশিংনা কংগ্রেস পার্টিদা শৌগৎপগী লেটর ওফ সপোর্ট অদু গভর্ণরদা পীখ্রে। অদুবু এন পি পি অসি বি জে পিদা শৌগৎকনি হায়না শন্দোরকপা অসি লাইবক থিবনি। মণিপুরদা কংগ্রেসনা সাসন শোয়দনা পায়গনি। ইং ২০১৯দা য়ু পি এ গভর্ণমেন্ট সেন্টরদা অমুক হন্না লাক্কনি হায়খি। কংগ্রেস পার্টিনা মেজিক ফিগর শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি কংগ্রেস ভবন ইম্ফালদা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিটি (এআইসিসি)গী মীহুৎ ওইনা ওস্কার ফর্নান্দেজ, জেনরেল সেক্রেটরি ডা. সি পি জোসি, রামেস চিনিঠেলা য়াওনা পাঙথোকখিবা মায় পাক্লবা কংগ্রেস মেম্বরশিংগী অপুনবা মীফম্না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহবু অমুক হন্না কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সিএলপি) লুচিংবা ওইনা খনখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী গভর্নর উন্নদুনা সরকার শেম্নবা ক্লেইম তৌখিবা লৈরবনি।

## এনপিএফ–বিজেপি চৎমিন্নগদৌরিবসি মণিপুর মীয়ামগী লাইবক...

মরম অসিনা বিজেপিনা মখোয়গী অনৌবা গর্ভর্মেন্ট অমা শেমদ্রিঙৈদা ইসু অনীসিগী মতাংদা এনপিএফকী এমএলএ মরিনা তাল্লক্কদবাদিমান্দসি পীবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা পীদবা ঙমগদ্রা হায়বসি হান্না খঙ্গবগা গর্ভর্মেন্ট শেম্না শেমদবগী ফিরেপ লৌবা চুমগনি।

মণিপুর মীয়ামদি চহী কয়া লিশাং শিংনা নুশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লিবশিংগী মরী তংনবা পামদে। মরম অসিনা বিজেপিগা এনপিএফকা চৎমিন্ননি হায়বসি জে দিয়ুনা থাজবা ঙমদে, মণিপুর মীয়াম্না থাজদে অদুগা এলদিএফসু থাজবা ঙমদে হায়রি।

চংখরক্লিবা থৌওংসিদি ইসু খরদা বেজ তৌরগা রাজনীটিগী খূদোংচাবা লৌরগা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপনি লৌগনি। বিজেপিনা মমাঙদা মণিপুর মীয়ামদা শকখিবা ৱাশকশিং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। অদুনা বিজেপিনা থাংলক্লিবা খোঙথাংসি মণিপুরগী মীয়াম্বু মীনম্বনি। ইসু অনীসিগী মতাংদা বিজেপিনা করি ফিরেপ লৌগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসি জেদিয়ুনা বিজেপিদা হংবা পাম্মী হায়রি।

## সিএম ফমদগী ইবোবী রিজাইন ...

মণিপুর অমদি গোৱাদা কংগ্রেস পার্টিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরবসু বিজেপি পার্টিনা লৈঙাক শেমগনি হায়না ক্লেইম তৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বিজেপিনা নমথাক তৌরে হায়না ফোঙদোরকখিবসু লৈরি।